# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ২৭

রন্দোল্ফ মোইরাংথেম




**SWATI MUNI** গী **TRIPUSHKARA,** (মান্নদবা পূং মখল অহুম) (হৌজিক মতমগী টবলা মরূগী শক্তম অমা, টবলা মনাওগী শক্তম অমা অমসুং মীতৈ/মৈতৈ পূংগী শক্তম অমা মখল অহুম অসি SWATI MUNI না VISHWAKARAMA দা শাহনখিবনি) TRI হায়বগী ৱাহন্থোক্তি অহুম হায়বনি। অদুগা PUSHKARA হায়বগী ৱাহন্থোক্লা পূং হায়বনি। মতম অদুদা পূংশিং অদু লৈবাক্লা শাবা মরম্না MRIDA ANGA হায়নসু কৌরম্মী। MRIDA হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লৈবাক হায়বনি। অদুগা ANGA হায়বগী ৱাহন্থোক্লা বোদি হায়বনি। হৌজিক্কী মতমদা হিন্দি লোন্দা **Shyahi,** Bangli দনা **Gap** অমসুং মীতৈ/মৈতৈ লোন্দনা **কাপ** হায়না খঙনরিবা অমুবা মচুগী হৌজিক মতমদা য়োৎথি; থাংজমশিংদগী থাঙ শাবদগী ফংলকপা য়োৎথিশিংদগী কুপ্পমখৈ কুপ্না তকখায়রগা শেন্বা (পাওদর) গা চাক্কা তকখায়নরগা গোম (গম) শানা শেল্লগা হায়রিবা পূং মখল অহুম অসিদা থারিবশিং অসি SWATI MUNI গী মতমদা শীজিন্নরম্বগী খুদম ফংদে। লোয়ন-লোয়ননা মতম অদুগী পূংশিংগী পূংমায়শিং অমসুং পূংলিশিংসু করি করম্বা মতম অদুদা ফংহল্লম্বা পোৎশকশিংনা তিংলমগনি হায়বগী খুদমশিংনচিংবগী অকক্লবশিং ফংবা লৈতে।

Bharat Natya Sastra ইরম্বগী মতমসি Swami Prajnanananda গী রিছার্স ৱর্ককী মতুং ইন্না "3rd Century B.C. to 2nd Century A.D. হায়বা ৱাখল্লোন থল্লি। Bharat Muni না ইরম্বা Bharat Natya Sastra অসি চহী ৫০০ চঙনা ইরম্বা হায়বসি করিগুম্বা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং খরা নৈনফম থোকই। মরমদি মতম অদুদা Bharat Muni না চহী ৫০০ পূনশিরমগদরা নৎত্রগা ওইথোকপা য়াবা চহী খরগী মনুংদা ইরমগদ্রা নৎত্রগা মহাক্না ইবা হৌরবগী মতুংদা মহাক্কী সেবকশিংনা মপূং ফানা ইরবগী মতুংদা মহাক্কী মমিংদা লাইরিক অসি মহাক্না ইবনি হায়না মহাক্কী সেবকশিং অদুনা মহাক্কী মমিংদা কৎথোকপরা হায়বনচিংবা খন্ননীংঙাই ওইরবা ৱাফম ময়াম অমা নৈনফম থোকই। Bharat Muni গী মতমগী মতুংদা নিংথৌ Harshavardhana গী মতম 600-650 A.D. গী মতমদা মহাকবি Bannabhata না পূং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গী কম্পোজিসন কয়া পুথোক্লম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি কম্পোজিসনশিং অদুগী লাইরিক্লচিংবশিং ফংদবা অসিনি। মতুং তারকপা মতমদা হায়বদি 1000 A.D. গী মতমদগী 800 A.D. দা Bharat হায়রিবা লৈবাক অসি মশীং থিঙমদ্রবা লৈবাক মচা-মচা ময়াম অমা থোক্লা অওনবা ময়াম অমা লাকখি। মসিনা মরম ওইরদুনা মখল মথেল মান্নদবা পূং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী ওইবা অওনবশিং লাকখি। হায়রিবা লৈবাক মচাশিং অসিদা পূং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী শাজৎশিং, শানোমশিং অমসুং শাথেক্লচিংবশিং Bharat Natya Sastra দগী লৌরম্মী। Bharat Natya Sastra দা চৎনরল্লিবা কাঙলোনশিং অসিদি য়াম্না লুবা ওইবনা কম্মন পিপলশিংগী ওইনদি য়াম্না লুবা কাঙলোন অমা ওইবা মরম্না মতম অদুগী মীশিংনা লাইথোকহল্লগা দেসি Sangeet হায়না লমদম লমদমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা লমদমশিংদুগী ত্রেদিসনেল ওইবা পূং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নচিংবা আর্ট ফোর্মশিংদা অহোংবশিং (Evolution) ময়াম অমনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরকখি।

Pandit Sarangadeva (13th Century) A.D. গী থৌদাংশিংনা Hindustan গী Muni, Rishi ময়াম অমনা থন্বীরম্বা Bhakti রসশিংগী আর্ট ফোর্মশিং অদুবু কায়হন্দনা থমদুনা য়াম্না চাউরবা থৌদাং অমা লৌখি। Sarangadeva না Sangeet Ratnakara কৌবা Bharat Natya Sastra দা যূম্ফম ওইবা লাইরিক অমসু ইরম্মী। হায়রিবা লাইরিক অসি মহাক্না কূপ্না রিছার্স ৱর্ক তৌরবা মতুংদা Desi Sangeet, Desi Taal, Awanadya (Drum) Vadya হায়না Muni Bharat না ইরম্বা Bharat Natya Sastra দা Margi Sangeet অমসুং Margi Taal হায়রম্বদু 13th Century গী মতমদা শেমদোকখি। Nandikeshwana কৌবা Sangeetkara অমনসু Bharat Muni গী ৱাখল্লোনশিং লৌরগা Druta, Laghu, Guru, Pluta অমসুং Kakpat হায়রিবা টর্মশিং অসিগী Matrik Kal (Beat শিংগী মতম) শিংগী ওইবা মওং তানা ইথোক্লবা "Bharatarnava" কৌবা তালশিংগী ওইবা লাইরিক অমা ইরম্মী। হায়রিবা লাইরিক অসিদা তাল খরগী বোল (মরোল) খরসু ইরম্মী। Narada কৌবা Sangeetkara অমসুং "Sangeet Makarada" কৌবা Margi অমসুং দেসিগী তালশিংগী দিফিনিসনশিংদা যূম্ফম ওইবা তাল ১০১গী ওইবা তালশিং মরিক চুম্না ইথোকপীরম্মী। Datila, Matanga, Kohala, Avinagupta, Paramardi, Nandyadeva অসিনচিংবা লাইরিকশিং ইবিরম্মী। Margi Taal System গা লোয়ন-লোয়ননা Desi Taal System শিংগী চৎনবীশিংসু অসুম অসুম হেনগৎলকখি। টালশিংগী মওং হোংদোরকপশিং, টালশিংদা য়ৈনরিবা মরোলশিং, নৌনা পুথোরকপশিংগী মওংশিং, টালশিংদা য়ৈরিবা মরোলশিং, ত্রেদিসনেল পূং মখলশিংদা য়ৈরিবা পূংলোনশিংনচিংবশিংদা অহোংবশিং লাকখি। ত্রেদিসনেল (ফোক) ম্যুজিক্না হেন্না পান্নরকপগী অহোংবশিং লাকপনচিংবশিংনা মরমশিং ওইরদুনা Shashtriya Sangeet (Classical Music) কী পোপ্যুলরশিং হন্থরকখি। মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমশিংদি Shastriya Sangeet (Classical Music) অসি তাবদা তম্বা অমা চঙই। হায়রিবা Shashtriya Sangeet অসি কাঙলোন ময়াম্না পুল্লগা কাঙলোনশিং অদু কায়বা য়াদবা ময়াম অমনা মরমশিং ওইবনা কাঙলোনশিং অদু খঙদবা অতাবা অমসুং অয়েংবশিংগী মশীং হন্থরকপনি। হায়রিবা অসিনা হৌজিক হৌজিকসু Shashtriya Sangeet (Classical Music) কী ওদিএন্স মশীং য়ামদে। অদুমকপু Shashtriya Sangeet (Classical Music) ফজনা তাবা অমদি য়েংবা হৈখ্রবা ওদিএন্সশিংদি অতৈ ফোর্ম ওফ ম্যুজিক তাবগী চাং য়াম্না হন্থে। Pandit Sarangadeva না মহাক্কী পূং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নচিংবগী ইবিরম্বা লাইরিক Sangeet Ratanakara অসি চেপ্টর মশীং ৬না শাবিরম্মী। মসিগী মনুংদা ৫শুবা চেপ্টরদা টালশিংগী শরুকশিং ইবিরম্মী। অদুগা ৬শুবা চেপ্টরদনা মখল মখলশিংগী ওইবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিংগী মতাংদা ইবিরম্মী। টাল হায়বসি করিনো, করম্না টাল কৌগনি হায়বগী দিফিনিসন্দা মহাক্না অসুম্না ইবিরম্মী- Taalashtala Pratishthayamiti Ghatogharshi Mreeth:/Girta Vadya Tatha Nrityang yatashtale Prathishtama/Taal শিংগীসু Margi অমসুং Desi হায়বা সিষ্টেম অনী থোক্লা খায়দোরকখি। Bharat Muni না ইবিরম্বা Margi Taal System অমসুং Pandit Sarangadeva না শেমদোল্লকপা Desi Taal System দা Taal Ki Das (10) pranas Taal গী থৱায় ১০সু শেমদুনা অমসুং ইদুনা থন্বীরম্মী। হায়রিবা টালগী থৱায় ১০শিং অদু মখাদা থমজরি:

১) কাল (মতম) Matra (Beat) অমদা চঙলিবা মতম (কাল) অসি মতম অদুগী মীকুপ ৫গা মান্নে হায়না প্রমান পীবিরম্মী। মসি হৌজিক্কী মতমগী Matra অমগী মতমগদি চান্নদ্রে। খঙজনীংবা ৱাফম অমনা মতম অদুগী মীকুপ ৫ হায়রিবা মতম অসি কয়া য়াম্না শাংগদৌরিবনো। মতম অদুগী মীকুপ অমগী অশাংবা অমসুং অতেনবা মতমশিংদু কয়া য়াম্না শাংগদৌরিবনো নৎত্রগা কয়া য়াম্না তেনগদৌরিবনো হায়বা ৱাফম অসি মতম অদুদদি অকক্লবা চেনবা য়াদবা সিষ্টেম অমা লৈফম থোকই। মরমদি Muni Bharata না ইবিরম্বা মালেমদা থিএটরগী মমিং লৈরবা Bharat Natya Sastra কৌবা লাইরিক অসিদা অরানবগী শরুক য়াওরল্লোই হায়বসি য়াম্না কূপ্না নৈনফম থোকই। ২) Marga : Muni Bharat কী মতমদা Marga হায়বা টর্ম অসি ইবিরম্মী। Marga হায়রিবা টর্ম অসিদা Matra ৮গী ওইবা, Dhreevaka, Sarpini, Krishna, Padimani, Bishirjita, Bikshipta, Pataka, Patita হায়রিবা Matra ৮না শাবা খূৎশেমশিং অসি পুথোকপীরম্মী। ৩) Kriya : Kriya গী মতাংদদি Muni Bharata না শেন্বীরবা Shasabda Kriya অমসুং Nishabda Kriya হায়না চপ মান্ননা শেন্বীদুনা থন্বীরম্মী। মসি হৌজিক্কী মতমদনা Shasabda Kriya না Talli অদুগা Nishabda Kriya না Khalli হায়না শীজিন্নরি। ৪) Anga : মখল-মখল মান্নদবা টাল মমিংশিংগী শাজৎ, শাথেক, শানোম্নচিংবশিংগী মতুং ইন্না Druta, Laghu, Guru, Pluta অসিনচিংবশিংবু Anga হায়না কৌরম্মী। ৫) Grah : Bharata Muni গী Bharat Natya Sastra গী টাল সিষ্টেমগা মান্ননা Sampani (Samgrah) হায়বদি টালশিং অসি মকোক্তগী হৌই, Abapani (Atit) অমসুং Uparipani (Anagat) কী কম্পোজিসন টালগী মকোক য়ৌদ্রিঙৈদা তানকোক ওইনা য়ৈবা কম্পোজিসন অমসুং টাল মকোক্কী মতুংদা তানকোক ওইনা য়ৈবা কম্পোজিসনসু কম্পোজ তৌবিরম্মী। হায়রিবা কম্পোজিসনশিং অসি হৌজিকসু পোপ্যুলর ওইনা শীজিন্নরি হায়বদি টবলাগী কম্পোজিসনশিংদা য়াম্না ফজবা অমা ওইরি। ৬) Jati : Bharat Muni না থন্বীরম্বা Margi Taal শিংগীতা য়াম্না মরুওইবা Jati অনী Trayastra অমদি Chaturashtra সু Pandit Sarangadeva না ইবিরম্বা Sangeet Ratnakara কৌবা লাইরিক্তা ফোঙদোক্লি। ৭) Kala :Pandit Sarangadeva না Ni : Sabda Kriya (off beat in western music) kala হায়না থন্বীরম্মী। ৮) Laya : য়ৈরিবশিং, শক্লিবশিং, জগোয় শারিবনচিংবা আর্ট ফোর্মশিংগী মরক্তা বিট অমদগী বিট অমা ফাওবগী মীকুপ নৎত্রগা মতমশিং অদুবু Laya (Tempo) হায়না ইবিরম্মী। হায়বদি মাত্র অমদগী মাত্র অমা (বিট) ফাওবগী অরাপ্পা মতম অদুবু লায়া (টেম্পো) হায়না থন্বীরম্মী। Laya (Tempo) মখল অহুম শেন্বীরম্মী। মখোয়শিং অদুদি 1) Druta (অথুবা টেম্পো) 2) Madhya (Medium Tempo) অমসুং 3) Vilambita (Slow Tempo) হায়না মান্নদবা Lalas (Tempos) শেন্বীরম্মী। ৯) Yati : Laya (Tempo) শিংবু কাঙলোনশিংগী মতুং ইন্না য়ৈবা, খোংবা, জগোয় শাবশিংগী অমদি অতোপ্পা মরী লৈনবা আর্ট ফোর্মশিংদা অকায় অতোয় য়াওদনা শীজিন্নববু Yati কৌই। ১০) Prashtara : Margi Taal শিংগী পরিং নাইনা চথবা Prashtara অসি Muni Bharat না শেল্লস্বগা মান্নে।

মতেং লৌজখিবশিং :- 1) Bharat Natya Sastra 2) Swami Prajnanananda 3) Taal Vadya Sastra

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -১৫

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**জন্যুৱারী ৩, ১৯৮০**দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সিট ২৮ অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী ইলেক্সন পাঙথোকখি। আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ৪না লম্বা তৌনৈ। মীরেপশিংগী মমিং ১) কোংগ্রেস (আই) গী শ্রী গৌজাগীন ২) কোংগ্রেস (য়ু) গী শ্রী শৈখোগেন ৩) জনতা পার্টিগী শ্রী কোলো কাইহো অমসুং ৪) ইন্দিপেন্দেন্ট শ্রী কে প্রোঙ্গোনি। হান্না সংসদ সদস্য ওইরম্বা শ্রী পাওকাই হাওকিপ মীরেপ চে লৌথোকখি।

জন্যুৱারী ৬, ১৯৮০দা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীখল অমসুং বিধান সভাগী মীহুৎ ৩১ খন্নবা ভোট থাদনখি। জন্যুৱারী ৯, ১৯৮০দা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস (আই) গী মীরেপ শ্রী গৌজাগিন কাখি। তাং ১০, ১৯৮০দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা সী পি আই মীরেপ শ্রী ঙাঙোম মহেন্দ্র কাখি।

মার্চ ১২, ১৯৮০দা কৈশামথোং কেন্দ্রগী শ্রী থোকচোম বীরা সী পি আই মীরেপ লৈখিদবগী য়ৈথোকখিবা মীখল পাঙথোকই।

তাং ১৩/৩/১৯৮০দা কৈশামথোং কেন্দ্রগী ভোট মশীং থি।

এসেমব্লি মীখল অসিদা কাখিবা কেন্দিদেটশিংগী মমিং অমসুং পার্টি -

| সে নং | মমিং | কনষ্টিট্যুএন্সি | পার্টি |
|---|---|---|---|
| ১) | শ্রী ৱাই কুল্লা | খুন্দ্রাকপম | সী পি আই (এম) |
| ২) | শ্রী দল্লিয়ু জাগোর | হৈঙাং | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৩) | শ্রী সী মনিহার | খুরাই | এম পি পি |
| ৪) | মহম্মদ মহম্মুদ্দিন | ক্ষেত্রিগাও | কোংগ্রেস (য়ু) |
| ৫) | শ্রী ও তোম্বা | থোংজু | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৬) | মহম্মদ অব্দুল মতালিপ | কৈরাও | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৭) | শ্রী এন অমুজাও | অন্দ্রো | কোংগ্রেস (য়ু) |
| ৮) | শ্রী পি ঐচ পরিজাৎ | লমলাই | সী পি আই |
| ৯) | শ্রী কে রাধাবিনোদ | থাংমৈবন্দ | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ১০) | শ্রী পি অচৌ | উরিপোক | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ১১) | শ্রী এম কুমার | শগোলবন্দ | এম পি পি |
| ১২) | শ্রী এন মনাওবী | কৈশামথোং | এম পি পি |
| ১৩) | শ্রী আই তোম্পোক | শিংজমৈ | কোংগ্রেস (য়ু) |
| ১৪) | শ্রী আর কে দোরেন্দ্র | য়াইস্কুল | কোংগ্রেস (আই) |
| ১৫) | শ্রী ৱাই ইরাবত | ৱাংখৈ | জনতা |
| ১৬) | শ্রী কে ঐচ চাউবা | সেকমাই | জনতা |
| ১৭) | শ্রী পি ঐচ সাগর | লমশাং | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ১৮) | শ্রী ঐচ লোখোন | কোন্থৌজম | কোংগ্রেস (আই) |
| ১৯) | শ্রী এন চন্দ্রমনি | পাৎশোই | জনতা |
| ২০) | শ্রী ও জয় | লংথবাল | জনতা |
| ২১) | শ্রী ৱাহেংবম অঙৌ | নাওরিয়া পাখংলাকপা | কোংগ্রেস (য়ু) |
| ২২) | শ্রী চুংখাম রাজমোহোন | ৱাঙ্গৈই | কোংগ্রেস (আই) |
| ২৩) | শ্রী খুমুজম অমুতোম্বী | ময়াং ইম্ফাল | কোংগ্রেস (আই) |
| ২৪) | শ্রী থৌনাওজম চাউবা | নম্বোল | জনতা |
| ২৫) | শ্রী খুন্দ্রাকপম পুনিলকান্তা | বিষ্ণুপুর | কোংগ্রেস (য়ু) |
| ২৬) | শ্রী যূম্নাম য়াইমা | ওইনাম | জনতা |
| ২৭) | শ্রী মাইরেনবম কোইরেং | মোইরাং | জনতা |
| ২৮) | শ্রী হাওবিজম কাংজাম্বা | থাঙ্গ | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ২৯) | শ্রী কাংজম মনিমোহন | কুম্বী | কোংগ্রেস (আই) |
| ৩০) | মহম্মদ হেলালউদ্দিন খান | লিলোং | কোংগ্রেস (আই) |
| ৩১) | শ্রী থৌদাম কৃষ্ণ | থৌবাল | এম পি পি |
| ৩২) | শ্রী পাংঙাবম মুনাল | ৱাংখেম | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৩৩) | শ্রী মোইরাংথেম ইবোতোম্বী | হৈরোক | জনতা |
| ৩৪) | শ্রী লাইশ্রম শরতচন্দ্র | ৱাংজিং তেন্থা | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৩৫) | শ্রী থোকচোম অচৌবা | খাঙবোক | সী পি আই |
| ৩৬) | মহম্মদ অব্দুল সলাম | ৱাবগাই | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৩৭) | শ্রী ক্ষেত্রি ইরাবত | ককচীং | সী পি আই |
| ৩৮) | শ্রী এলাংবম বাবুধোন | হিয়াংলম | সী পি আই |
| ৩৯) | শ্রী ময়াংলম্বম নীলা | শুগুনু | সী পি আই |
| ৪০) | শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র | জিরিবাম | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৪১) | শ্রী শ্যাখোলাল | চান্দেল (এস টি) | কে এন এ |
| ৪২) | শ্রী জাইসন হাওকিপ | তেংনৌপল (এস টি) | কে এন এ |
| ৪৩) | শ্রী রিশাং কৈশিং | ফুংয়ার (এস টি) | কোংগ্রেস (আই) |
| ৪৪) | শ্রী য়ংমাসো সৈজা | উখ্রুল (এস টি) | জনতা |
| ৪৫) | শ্রী সোমি এ সিমরা | চিঙাই (এস টি) | জনতা |
| ৪৬) | শ্রী হোনখোনেট খোংশাই | সাইকুল (এস টি) | কোংগ্রেস (য়ু) |
| ৪৭) | শ্রী আর ভিও | কারোং (এস টি) | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৪৮) | শ্রী শোশো লোরহো | মাও (এস টি) | কোংগ্রেস (আই) |
| ৪৯) | শ্রী লুইকাং | তদুবী (এস টি) | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৫০) | শ্রী কিশ্বরথাপা | কাংপোকপী | কোংগ্রেস (আই) |
| ৫১) | শ্রী এন এস জোন | সাইটু (এস টি) | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৫২) | শ্রী এন দি দিজোনাং | তামৈ (এস টি) | কোংগ্রেস (আই) |
| ৫৩) | শ্রী কে হুরিয়াং | তমেংলোং (এস টি) | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৫৪) | শ্রী গাইখাঙম | নুংবা | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৫৫) | শ্রী গুরদিংলেন | টিপাইমুখ (এস টি) | কোংগ্রেস (আই) |
| ৫৬) | শ্রী ফুংজাথাং | থানলোন (এস টি) | কোংগ্রেস (আই) |
| ৫৭) | শ্রী হোনখোমাং | হেংলেপ (এস টি) | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৫৮) | শ্রী কে ভুংজালিয়ান | চুড়াচান্দপুর | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৫৯) | শ্রী গুনখোহাও | সাইকোট (এস টি) | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ৬০) | শ্রী থাংখানলাল | শিংহাট (এস টি) | কোংগ্রেস (আই) |

তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংনা থাগৎখিবা অমসুং কাখিবা মীরেপশিংগী মশিং :-

| সে নং | পার্টি মমিং | থাগৎখিবা মশীং | অকাবা মশীং |
|---|---|---|---|
| ১) | কোংগ্রেস (আই) | ৫৮ | ১৩ |
| ২) | কোংগ্রেস (য়ু) | ৪০ | ৬ |
| ৩) | জনতা | ৫৭ | ১০ |
| ৪) | সী পি আই | ২৩ | ৫ |
| ৫) | সী পি আই (এম) | ২ | ১ |
| ৬) | লোক দল (জনতা এস) | ১৫ | x |
| ৭) | এম পি পি | ৪০ | ৪ |
| ৮) | কে এন এ | ৭ | ২ |
| ৯) | ইন্দিপেন্দেন্ট | ১৫৯ | ১৯ |
| | | | ৬০ |

পোলিটিকেল পার্টি অমতনা মপূং ফাবা মশীং য়াম্বা (এবসোলুট মেজোরিটি) হায়বদু ওইদ্রে। ফল হেক লাউথোকপগা চোঙথোক চোঙশিন হৌরক্লে। ইন্দিপেন্দেন্ট ১৯গী মনুংদা ১৮, জনতা ১০গী মনুংদা ৪ অমসুং কে এন এ ২ মক কোংগ্রেস (আই) দা য়াওবদগী কোংগ্রেসকী এম এল এ মশীং অসি ১৩দগী ৩৭তা হেনগৎখি।

১৪ জন্যুৱারী ১৯৮০দা কোংগ্রেস (আই) গী শ্রী রাজকুমার দোরেন্দ্রনা লুচিংবা কোলিসন মিনিষ্ট্রি অমা শেল্লে। মসিদা কোংগ্রেস (য়ু), এম পি পি য়াওই। শ্রী রাজকুমার দোরেন্দ্রনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকপা অসি শ্রী রিশাং কৈশিং অমসুং শ্রী গুরদিংলেন অনীসি কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকখি। অনীমক কোংগ্রেস (আই) গী এম এল এশিংনি। মিনিষ্ট্রি অসি শেম্বদগীদি প্রসিদেন্ট রুল অদু হন্দোকখে। মিনিষ্ট্রি অসি ফেব্রুৱারী ২০, ১৯৮০দা মখাগী মীওইশিং অসি ষ্টেট মিনিষ্টরশিং ওইনা হাপচিন্দুনা লাউথোকহনখি:-

১) মহম্মদ হেলানউদ্দিন খান কোংগ্রেস (আই); ২) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র কোংগ্রেস (আই); ৩) শ্রী টি ঐচ চাউবা কোংগ্রেস (আই); ৪) শ্রী হাওখোলেট খোংশাই কোংগ্রেস (আই); ৫) শ্রী টি ঐচ কৃষ্ণ এম পি পি। জনতা পার্টিগী এম এল এ অনী ১) ডাক্তর এন চন্দ্রমনি অমসুং ২) শ্রী সোমি এ শিমরা পার্টিদগী তোল্লগা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লৈখি।

এপ্রিল ১৯৮০দা পার্টিশিংগী এম এল এ মশীং অসি মখাগী অসুম্না ওইখি:-

কোংগ্রেস (আই) - ৩৭; কোংগ্রেস (য়ু) - ৬; জনতা - ৪; এম পি পি - ৪; সী পি আই - ৫; সী পি আই (এম) - ১; ইন্দিপেন্দেন্ট - ৩ অপূনবা - ৬০।

১/৬/১৯৮০দা রাজ ভবন্দা অনৌবা কেবিনেট মিনিষ্টর ৩ অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টর ৭ রাজ্যপালনা ৱাশক লৌহনখি। কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অদুদি আই তোম্পোক, সোসো লোরহো অমসুং মু: হেলালউদ্দিন খাননি। মু: হেলালউদ্দিন খান অসি হান্না ষ্টেট মিনিষ্টরনি।

অনৌবা হাপচিল্লকপা ষ্টেট মিনিষ্টরশিং অদুদি : ১) ভুংজালিয়ান ২) এম ইবোতোম্বী ৩) দিজোনাং ৪) সী ঐচ রাজমোহোন ৫) জোন্সন হাওকিপ ৬) ৱাই ইরাবত অমসুং ৭) এম কুমারনি। যূম্নাম য়াইমবু ১৮/২/৮০দা স্পিকর খনখি। ঐচ লোখোনবু ১৭/৩/৮০দা দেপ্যুটি স্পিকর খনখি।

শ্রী আর কে দোরেন্দ্রগী অহুমশুবা তাঙ্ককী মন্ত্রি মন্দল অসি মখাগী অসিনি :-

মিনিষ্টরশিং :- ১) শ্রী আর কে দোরেন্দ্র - চীফ মিনষ্টর ২) শ্রী রিশাং কৈশিং - ফাইনান্স ৩) শ্রী গুরদিংলেন -দিভলপমেন্ট ৪) শ্রী আই তোম্পোক - এদ্যুকেসন ৫) শ্রী সোসো লোরহো - ইলেক্ট্রিসিটি ৬) মু: হেলালউদ্দিন খান - ত্রান্সপোর্ট

ষ্টেট মিনিষ্টরশিং :- ১) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র - এল এস জি ২) শ্রী টি ঐচ চাউবা - রেভিন্যু ৩) শ্রী টি ঐচ কৃষ্ণ - এগ্রিকলচর ৪) শ্রী ভুংজালিয়ান - ফোরেষ্ট ৫) শ্রী এম ইবোতোম্বী - পি দব্লিয়ু দি ৬) শ্রী আই দি দিজোনাং- আই এফ সী ৭) শ্রী ৱাই ইরাবত - সিভিল সপ্লাই ৮) শ্রী সী ঐচ রাজমোহোন - ফিসরিজ ৯) জোন্সন হাওকিপ - ত্রান্সপোর্ট ১০) এম কুমার - ফিজিকেল এদ্যুকেসন ১১) হাওখোলেট খোংশাই - ত্রাইবেল ৱেলফেয়র।

পার্টিদগী তোল্লকপা কোংগ্রেস এম এল এ ১০, জনতাদগী তোল্লকপা এম এল এ ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টশিংগা পুল্লগা মণিপুর নেসনলিষ্ট দেমোক্রেসি পার্টি হায়বা অমা শেমখি। শ্রী হুরিয়াং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ, এম এন দি পিদা য়াওবা অসি ২৭/৬/১৯৮০দা কোহিমাদা লৈখিদে। জুন ১৯৮০দা শ্রী খ্বাইরাকপম চাউবা এম এল এ অসি এম এন দি পিগী লুচিংবা ওইখি। এম এন দি পি, এম পি পি, জনতা, সী পি আই অমসুং সী পি আই (এম) পুল্লগা প্রোগেসিভ দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট হায়বা অমা শেমখি। ২১/৮/১৯৮০দা এম এন দি পি অসি এম পি পিদা পূনখি। ওগষ্ট ২৩, ১৯৮০দা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট শ্রী এন মনাওবীনা শ্রী রাজকুমার দোরেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রিদগী তোক্লে লাউথোকখি। য়ানখিবা পোইন্ট ২৩ অদু ফজনা পাঙথোক্লবা হোৎনদে হায়দুনা মরাল শিখি।

ওক্টোবর ২৪, ১৯৮০দা আই দি দিজোনাংগী পোর্টফোলিও অসি ১) আই এফ সী অমসুং ষ্টেটিশটিক পব্লিসিটি এন্দ টুরিজম ওইখি। নবেম্বর ১৬, ১৯৮০ শ্রী রাজকুমার দোরেন্দ্র চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখি।

# মণিপুরগী লাইনীং-লিচৎতা লাইনিংথৌ সনামহীগী মফম

- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

**মণিপুরগী** য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা লাইনীং-লিচৎতা সনামহী লাইনীংনা মরু ওইবা মফম অমা কন্দুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মণিপুরগী তম্পাক্তা খুদারিবা মণিপুরীশিং মরু ওইনা মৈতৈশিংনা লাইনিংথৌ সনামহীবু তাইবঙ শেন্বীবা, ঙাকপী শেনবীবা, য়োকপীবা, ঙাকপী হৈবা, থৌজাল হৈবা মপূনি হায়না লুনা নীংনবগা লোয়ননা ঈরাৎ থৌনিজবগী থৌরম পাঙথোকই। মৈতৈশিংখক্তা নত্তনা চীংমীশিং হায়বদি মরিংনচিংবা ফুরুপ খরনসু লাইনিংথৌ অসিবু খুভম য়াদুনা লাৎলম্মী হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা মত থন্বীরম্মী। শিংথাবা য়াবা ৱাফম অমদি হিন্দু লাইনীংগী অকনবা শাফুনা য়ৈরকখিবা তাঙ্কক কয়া লাকখিদুনসু মৈতৈগী যূমথোঙ খুদিংমক্তা হায়বদি যূমগী শন্থোং (খা নোংচুপ কাচিন্দা) দা লাইনীংথৌ সনামহীগী খুভম য়াদুনা নুমিৎ খুদিংগী ধুপ থাউমৈ কৎতুনা থৌনিজবগী মওং অসি ঙসি ফাওবা লিক্লম কায়হন্দনা চত্থদুনা লাক্লিবসিনি।

লাইনিংথৌ সনামহীগী অরেপ্পা মশক হায়বা অমদি মহাক্কী লাইনীং-লিচৎ হৌরকখিবগী মরমদা নৈনবা হায়বসি অরায়বা অমদি ওইদে। অদুবু ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা পুয়াশিং অমসুং মহাক্কী ঈরাৎ থৌনি, লাইথৌ-তিনথৌগী থৌরমদা শক শোল্লিবা, থেনলোন্নচিংববু মমুৎ তানা নৈনবা মতমদা খরমখৈদি খঙবা ঙম্মী। সনামহী লাইহুই কৌবা পুয়াদা মহাক্কী তোঙান তোঙানবা মমিং পীরম্মী। মমিংশিং অদুদি - চীংনুং অশিবা, খীংখীং শীংথাবা, অৱাং ফাল্লৌ লাইমখোম্বা, সনামহী, সন্থোং নিংথৌ অপানবনচিংবনি। চৈথারোল কুম্বাবদা লাইৱা হায়বা অমসুং ফাল্লৌখোম্বা হায়না ইরি। লমদম অসিগী মশাগী লৈজবা লৈশেল্লোনগী মতুং ইন্না সনামহীবু অশিবা হায়না শৈথাদুনা তাইবঙপান অমদি মীওইবনচিংবা জিব কয়াবু শেন্বীবা মপূনি হায়না লৌরি। হায়রিবা মিথ অসিদা মহাকপু গুরু শিদবগী মপারী অহল ওইনা শীংথাবগা লোয়ননা মালেম নোংখোংবু তরেৎলক কোয়রুনবা গুরুনা পীবা য়াথং পাঙথোকপা ঙমখিবা মতিক মগুণ লৈবা অমা ওইনা শৈথারি। মঙোন্দা অরানবা তৌবা য়াদে হায়বগী খুদমদি গুরু শিদবগী য়াথং পাঙথোক্লবসু মপাইবুংঙোনা কংলা ফম্বালদি অশিবগী মনাওনুপা অতোম্বা নৎত্রগা অপানবা (পাখংবা) দা শিন্নখিবা মতমদা মহাক্না শাউরক্তুনা মাঙহন তাকহল্লগে হায়না হোৎনরকপা মতমদা যূম যূমগী নিংথৌ ওইহন্দুনা লাইগী থাক্তা লৈখিবসিনি। লৈথক লৈখারোল পুয়াগী মতুং ইন্না অশিববু মহারাপা অমসুং তাওবীরোইনাহগী মচানি হায়না অসুম্না শৈথারি, 'অতিংকোক গুরুশিদবনা নুঙমু অমগী মথক্তা, নিংথৌ মহারাবা কৌনা, য়াহিপ চাকচা তমলে...। অতিং কোক গুরুশিতবগা তাওবীরোইনাইগা অনীমক্না অমত্তা ওইনা তিলননা লৈরিঙৈগী...। তাওবীরোইনাইনা ওংথি পোকয়ে। মহাক্তি অশিবনে। (লইথক লইখারোল, ২০১০, লামায় ১৪-১৫)। খাগেম্বা লাংজে পুয়াদসু লাইনিংথৌ সনামহীগা নিংথৌ শমবুম মহারাবগা য়াম্না নক্লবা ঈ তিন্নবগী ৱাফম য়াওরি। লৈহৌ নোংহৌ পুয়াদা গুরু শিদবনা সনামহীবু কূপত্রেং হায়না থোনখিবগী ৱাফমদি "পারি অহনবা সনামহী, নহাক্না তাইবঙ মালেমগী মপূ ওইদুনা, চারোন শুরোন্না কাউদনা মোনু যূমথোং যূমথোং খুদিংগী নিংথৌ ওইদুনা পালহৌরো। ...পারী অহনবা নঙগী নমিংবু কপতেং হায়না মিংথোল্লগে।" (লৈহৌ নোংহৌ, লামায় ১০)

মরী লৈনবা ৱাফমশিং অসি মিথ ওইজরবসু নৈননবগীদমক লৌখৎচরিবা হীরম অসিগী অশেংবা মচাক খরদি ফংবা ঙম্মী। মতাং অসিদা German Poet Goethe গী ৱাহৈ খরা পনবা য়াই, "The historian's duty is to separate the truth from the false, the certain from the uncertain." মতৌ অসুম্না মিথ অমদি লেজন্দনচিংবদা পীরম্বশিং অদু মনুং হঞ্জিন্না য়েংলুবা মতমদা অশিবনা কংলাবু খুন্দা লৈতাবা য়াবা মফম অমা ওইনা শেমগৎপদা মায়পুনবা থৌদাং লৌখি হায়বগী ৱাফমদু মিথ ওইনা পুথোক্লম্বনি হায়না লৌবা য়াই। মহাক্না তুংগী মীরোলগীদমক পাঙথোক্লম্বা থবকশিং অদুনা মরম ওইরগা লাইগী থাক্তা পুখৎতুনা সনামহী হায়না লাৎনখিবা ওইরম্বসু য়াই। অমরোমদা লৈঙাক্লোন দা শরুক য়াদুনা খুন্নাই মনুংগী ওইবা থবক থৌরম থৌদা পুখিবগীদমক যুমথোঙ য়ৈনা লাৎনরকখিবগী ওইথোকপসু লৈ। মতৌ অসুম্না লমদম অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা সনামহী লাইনীং হায়না খঙনবা মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা লাইনীং লীচৎ অমা ঙসি ফাওবা লিশাং শিংনা লৈরক্লি হায়বসিদি য়েৎননীংঙাই লৈতনা চুম্লবা ৱাফমনি।

পঞ্জাখ্রিবা লাইনীং অসি করম্বা মতমদগী লৈরক্লবগে হায়বগী মতাংদসু অখণ্ড অহৈশিংনা মাগী মাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা মত থন্বী। সাকোক লমলেন অহানবা অমসুং মৈহৌরোল পুয়াগী মতুং ইন্না হয়িচক্তা লৈরম্বা নিংথৌ শিলিপ লৈমা লৈতেং নিংথৌ চনুগী মচা নিংথৌ কাংবা কাংখন্না সনামহী লাইনীং হৌদোক্লম্মী। পুয়া অসিদা থল্লম্বা ৱাফমগী মতুং ইন্না হায়রিবা মতম অসি অরিবা নূংগী চক হায়বদি মীওইবনা যূম-কৈ শাবা, লৌউ-শিংউবা, ফীরোল শাবা, মৈ শীজিন্নবা, পূম্নমক অসি হৈত্রিঙৈ খঙদ্রিঙৈদগীনি। -মথং-মথং